শিন্তাক শিন্তম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর পন্দিট লোইশঙ পেলেস কম্পাউন্দনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মাইবা, পেনা মাইবীশিংগী ওইবা শিন্তাক শিন্তম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুর পন্দিট লোইশঙগী সেক্রেটরি এন জি রঞ্জিৎ মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর পন্দিট লোইশঙগী পন্দিট অচৌবা ঙারিয়াম্বম কেরানিগী পাউতাক মতুং ইন্না লোইশঙ অসিগী চৎন-পথাপ ওইনা চহী ৩গী ওইবা শিন্তাক শিন্তম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোল পন্দিট লোইশঙ অসিদগী খঙবা য়াগনি। ক্লাস হৌবগী মতমনা থা অসিগী ২০গী নুংথিল পুং ৩দগীনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

সরৈ-সরা উৎকনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): কংলৈ ইনাৎ থাঙ-তা শিন্দম শঙলেন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা জি এম হোলদা পাঙথোক্কদবা তরুকশুবা দেথ এনিভর্সরি ওফ ওজা লৈতান্থেম হেরামোৎকা মরী লৈননা সরৈ-সরাগী অহকপা লৌশিং উৎকনি হায়না কংলৈ ইনাৎ থাঙ-তা শিন্দম শঙলেনগী সেক্রেটরি মনিস্না নিংথেমচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

স্পিদ টেষ্ট এগজাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেনোগ্রাফর গ্রেদ ৱান লৌনবগী লিমিটেদ ক্কালিফায়িং স্পিদ টেষ্ট এগজামিনেসন থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ১০দগী হৌদুনা এম পি এস সীগী এগজামিনেসন হোলদা পাঙথোক্কনি। কেন্দিদেটশিংনা ত্রান্সক্রিপসন ওফ সোর্ট হেন্দ অমসুং কম্প্যুটর প্রেক্টিকেলগীদমক্তা মশা মশাগী লেপটোপ পুরক্কদবনি হায়না মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী রেজিষ্টার এস এন বাইফৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌবালদা ইন্টরনেসনল ভলন্টিয়রস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): নেহরু যুব কেন্দ্র থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী নিঙেল কম্ম্যুনিতি হোলদা ইন্টরনেসনল ভলন্টিয়রস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ভলন্টিয়রস বিল্দ রেসিলেম্প কম্ম্যুনিতি হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থুমখোং ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসন অমসুং যুথ ক্লবতগী লাকপা যুথ লীদরশিংনা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যের ওফিসর ডা. কে এস ঐচ মেমচা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর শ্যামানা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি। নিঙেল মৈরা পায়বীগী অহন্থেম অহনবী অমসুং মুতুম জমুনানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা এন ৱাই কেগী দিষ্ট্রিক্ট যুথ কোওর্দিনেটর য়ূম্নাম লক্ষ্মনা হায়খি, খুন্নাই অসিদা শিংথানীংঙাই ওইনা অহোংবা পুরক্কবা হোৎনবদা ভলন্টিয়রশিংনা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌরি। যুনাইটেদ নেসন জেনরেল এসেমব্লগী রিজোল্যুসন মতুং ইন্না ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমজা ১৯৮৫গী দিসেম্বর ৫দগী হৌদুনা চহী খুদিংগী মীয়ামদা ভলন্টিয়রশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুবু শকখঙনবা অমদি পাউজেল শন্দোকপগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

দি পি ও শ্যামানা ফোঙদোকখিবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা নুপী অঙাংশিংগী মতিক ময়াই হেনগৎনবা, হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা এদ্যুকেসন পীবগী তঙাইফদবা লৈরে। মরম অদুনা নুপী অঙাংশিংনা মাঙ থানা থোরক্তুনা কম্ম্যুনিতি দিভলপমেন্টকী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াগদবনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা খনগৎলবা যুথ লীদরশিংবু ডাক্তর মেমচানা সার্টিফিকেট অমসুং মমেন্তোশিং য়েন্থোকখি। চরাংপাৎতগী কোন্সম লোকেন্দ্রো, খাঙবোক্তগী নিংথৌজম রোমেস অমসুং নিঙেল খুলদগী কে ঐচ সোবিতানা ভলন্টরি সার্ভিসশিং পাঙথোকখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা সার্টিফিকেট অমসুং মমেন্তোনচিংবা পীখি। মৈরা পায়বী লুচিংবীশিংদসু শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট যুথ কোওর্দিনেটর এন ৱাই কে থৌবাল য়ূম্নাম লক্ষ্মনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নেসনল লোক অদালট ফমগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): নেসনল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী দিরেক্সন মতুং ইন্না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮দা লম্ফেল পাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা নেসনল লোক অদালট ফমদুনা কোর্ট অসিদা পেন্দিং লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কেসশিং অমদি প্রী লিটিগেসন মেট্টরনচিংবা ওইরিবা বেঙ্ক লোন রিকোভরিনচিংবা পাঙথোক্কনি।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিশিংনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সশিংদসু নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী ইন চার্জ মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচানা থোকপা প্রেসতা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনসি : শামুঙৌ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবী দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারমন্না হায়খিবা মণিপুর অসি চহী চূপ্পা কুম্মৈ পাঙথোকপা মফমনি হায়রিবা অদু লৈঙাক অসিনা পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরে হায়না মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর অসি চহী চূপ্পা কুম্মৈ পাঙথোকফমনি হায়বা ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি য়ূমথংনবা ষ্টেটশিংগী মপান তাংলগা হিংলিবা লমদম অসিনা চহী চূপ্পা হরাউ কুম্মৈ পাঙথোক্তুনা লৈরবদি লমদম অসি মতম খরগী মতুংদদি করি ওইরকপা য়াবগে হায়বসি পূন্নমক্লা খন্থবা মতম ওইরে। মণিপুর অসি মশাগা চানবা পোত্থোক পুথোকপা ঙমজদ্রিবা থবক ফংদ্রিবা মীগী মশীংনা লাক্ষ ৭ রোম লৈরিবা ষ্টেট অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা লৈরিবা নেপাল অমদি ভুটান মনীং-মখা তন্না লৈবাক অমা ওইরি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসি নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইবগুম মণিপুরসু বৃটিশকা মরুপ-মপাং ওইবা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌনবগুম লৈরিঙৈ মতমদা মণিপুরগী নিংথৌ চুড়াচান্দনা ওইরম্মী। মতম অদুদা বৃটিশনা ইন্দিয়াগী লৈবাক কয়া মখোয়গী লৈঙাক মখাদা থম্লবসু মণিপুরদি মখোয়গী মখাদা লৈখিদে। হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা মীওই লাক্ষ ২,৯৩,১০ হেনগৎলকখি অমসুং মতম মতমগী লৈঙাকশিংনা প্লান তৌহৌদ্রে হায়বসি ঙসি ঙসিমক মণিপুরগী মীয়াম্না থেংনরিবা অসিনা তাক্লি। মণিপুরদা হৌজিক চেঙ কিলোদা লুপা ৪০ য়ৌরে। মরম অদুনা চহী চূপ্পা কুম্মৈ পাঙথোকপা লমদম অমনা করি ওইবা য়াবগে হায়বসি পূন্নমক্লা খন্থমিন্নসি হায়রি।

চহী অসিগী এপ্রিল ১৮দা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুনা হায়বিরম্বা ষ্টেট অসিগী লৌউ-শিংউবগী পোত্থোক হেনগৎহনসি হায়বা ৱারোল অদুগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌউ-শিংউবগী পোত্থোক হেনগৎনবা হোৎনবগী মমি তাবা উদ্রি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী লৌউ-শিংউগী অমদি খূৎ-শা হৈবগী পোত্থোক হেন্না পুথোক্তুনা মরোমদোম লেপ্পা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনসি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অশোয়বা য়াওখ্রবসু মীয়াম্না ঙাকপীয়ু : বাসু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮গী লোইশিনবদা লাইগী মচাশিং হায়না মীংথোনবা কোরিওগ্রাফিক ৱর্ক অসিগী মতাংদা মীয়াম্না ফোঙদোক্লরকখিবা ৱারোলশিংগা মরী লৈননা শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা লৈরক্তা লৈবা প্রোগ্রেসিব আর্টিষ্ট লেবোরেটরি লম্বোই খোঙনাংখোংগী কোরিওগ্রাফর সিনাম বাসুনা ৱারোল খরা শেংদোরক্লি।

ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সিনাম বাসুনা হায়খি, মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল লোইশিনবা নুমিৎতা ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়র থিএটরদা উৎখিবা লাইগী মচাশিং হায়না মীংথোনবা কোরিওগ্রাফিক ৱর্ক অদুগী শরুক অমদা অশোয়বা য়াওরে হায়না ফোঙদোরকপা থেংনরে। কোরিওগ্রাফিক ৱর্ক অসিদা অশোয়বা কয়া য়াওখ্রবসু মীয়াম্না ঙাকপীয়ু।

কোরিওগ্রাফিক ৱর্ক অসি হৌদ্রিঙৈদা মীতৈগী লাই হরাউবগী মনুংদা লৈরিবা চীং তম অনীগী অপূনবগী মশক, নাৎকী জগোয় ঈশৈশিংগী ফজবা মশক অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা শোয়দনা মায় পাকপা য়াই হায়না খনবগা লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী লাইনীং মখল খুদিংমক্তা লৈরিবা মীশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈবা হায়বা অদুদা থাজবা থমদুনা পুথোকখিবনি।

মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা পূন্নমকপু লাইগী মচাশিং হায়না মমিং থোনখিবনি। জগোয় অসিগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা অনৌবা মতমগী শৈহেক শৈদা অমসুং শাথেক্ল চিংবা শীজিন্নরগা ক্রিএটিভ ৱর্ক অমা হাপখি। ক্রিএটিভ ৱর্ক অদু মণিপুরগী ষ্টেট ফ্লৱার ওইরিবা সিরোই লিলীদা য়ূম্ফম ওইরগা পাৎকী, চীংগী অমসুং তমগী লৈরাং হায়না মণিপুরদা তারিবা কাঙলূপ পূন্নমকপু লৈরাংগী মশক লৌরগা মণিপুর ইমাগী শৈথারোল শকহন্দুনা চীং-তম অনীগী শক্তম অদু উৎনীংখি। অদুগুম্বা তাঙ্কক অদুদা অচৌবা ৱাথোক অসি মায়োক্লখিবনি।

সিরোই লিলী দিজাইন তৌরকপদা তাঙ্খুলগী শৈশকপা রিয়ুবেন মংশাবগী ঈশৈদা সিরোই লিলীবু মচু তরেৎনা লৈতেংলি হায়না শৈথারকখি। মীতৈগী সলাই তরেৎকী মচু অসিগা সিরোই লিলীগী মচু তরেৎকা অনীগী ৱাখল্লোন অসি পূল্লবদি সিরোই লিলীবু মণিপুর হায়না পুথোকচনীংলিবা অদু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না খনখি। মরম অদুনা দিজাইন তৌবা মতমদা মচু তরেৎ অসিনা চীংগুম্লা ৱাংনা শেমগৎলগা সিরোই লিলীনা মথক্তা লেপ্লগা চীং-তম অনীগী লৈরাংশিং পূনশিন্দুনা মণিপুর ইমাবু থৌগল তৌসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা জগোয় অসি শেমখিবনি।

মচু তরেৎকী ফীনা চীং শেম্বা অদু বোটকী ষ্টেজদা খুদোংচাদবনা শৈশকপী পিঙ্কি সাইখোম্নু অৱাংবদা লেপহল্লগা মখ্বাংদা পুনশিনখি। কোরিওগ্রাফিক ৱর্ক অসিগী সিপনোসিসতা সিরোই লিলীবু মচু তরেৎনা লৈতেংলি হায়না ইখি। অদুবু প্রেক্টিকেল তারক্লবা মতমদদি দিজাইন অদু পিঙ্কিগী খ্বাংচেৎ ওইনা উহনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মীতৈ ইনাৎপু নুংশিজবা অহল-লমন অমদি লূপ কয়াগী পূক্নিংদা নুংঙাইহন্দ্রে অমসুং ৱাথোক ওইহল্লে।

পুথোক্লিবা কোরিওগ্রাফিক ৱর্ক লাইগী মচাশিং অসিদা অশোয়বা কয়া য়াওখ্রবসু মীয়াম্না ঙাকপীয়ু। মহাক্কী মরাল অসিনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা শৈশকপী পিঙ্কিবু শোকহনবীগনু। মতুংদা অখঙ অহৈশিংনা লমজিং লমতাকপীদুনা মহাক্লা খঞ্জরিবা পান্দম অসি য়ৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না কোরিওগ্রাফর সিনাম বাসুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিসএবল্ড এসেমব্লিরা : সী পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৱিন্টর সেসন থা অসিগী ২০ অমসুং ২১দা নুমিৎ নীনি খক ফমগনি হায়রিবা অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু ভাইওলেসন তৌবনি অমসুং অসিগুম্বা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসি দিসএবল্দ এসেমব্লি ওইরক্লি হায়না সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ডা. এম নরনা ফোঙদোরক্লি।

ডা. এম নরনা থোকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ১৭৪গী মতুং ইন্না আর্টিকেল ১৭(এ) গী রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেসনা ষ্টেটকী এসেমব্লিশিংগী সেসন অহুম বজেট সেসন, ওটম সেসন অমসুং ৱিন্টর সেসন হায়দুনা লৈগদবনি। সেসন অহুম অসিগী সিটিং য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৫০নি চহী অমগী মনুংদা লৈগদবনি। লোয়ননা সেসনশিং অদুগী মরক্তা থা ৬কী গেপ লৈগদবনি হায়রি।

তৌইগুম্বসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদি চহী অমদা সিটিং নুমিৎ ৩৫নিদগী তানা লৈরে। মমাঙদা লৈঙাকখিবা কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লিঙৈদা চহী অমদা নুমিৎ ৩৫নি অমদি বি জে পিনা লৈঙাকপা থা ২০ হেল্লক্লবা মতম অসিদসু হায়রিবা সিটিং মশীং অসিদা লৈরে। অসিগুম্বা থৌওং অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু ভাইওলেসন তৌবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অদুমক চথদুনা লৈরবদি কন্সটিট্যুশনেল রিফার্মেন্টশিং অদু মপূং ফানা থবক্তা পাঙথোকপা ঙম্লরোই। মরম অদুনা লাক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৱিন্টর সেসন অসি নুমিৎ নিনীদগী হেন্না শাংনা চথবিয়ু অমসুং মরম চাবা অমদি মহয় চাগদবা সেসন ওইনা পেন্দিং লৈরিবা বিলশিং অসি হাওসতা পুথোকপা অমদি হৌজিক লৈরিবা ইস্যুশিং অসিগী মরমদা দিবেট তৌননবা চয়োল অমরোম চথবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

খেলেন থোকচোম মিদিয়া ফেলোসিপ পীগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): খেলেন থোকচোম ত্রষ্ট অমসুং মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না খেলেন থোকচোম মিদিয়া ফেলোসিপ পীগনি হায়রি।

খেলেন থোকচোম ত্রষ্টকী সেক্রেটরি সোভাপতি সামোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা ৩গী ওইবা মিদিয়া ফেলোসিপ অসি মণিপুরদা ক্রিকেট মশান্নগী মরমদা ষ্টোরি মঙা ইগদবনি। চহী ৩/৩গী এক্সপরিএন্স লৈরবা প্রিন্ট মিদিয়াগী লম্দা থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা ফেলোসিপ অসিগীদমক্তা চেরোল পীশিল্লকপা য়াগনি। চেরোল পীশিল্লকপা মতমদা বাইও দাটাগা লোয়নবা এদিটরনা পীরকপা সপোর্ট লেট্টর অমা অমদি ইন্টরভিয়ু লৌবা য়াবা মীওইশিংগী মমিং, ষ্টেট অসিদা স্পোর্টসকী লম্দা ফোঙখিবা সেম্পল অমা পীখৎলক্কদবনি।

এপ্লিকান্টশিংনা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসনশিং পীখৎলকপা য়াগনি। ফেলোসিপকী মতমনা মথং চহীগী জন্যুৱারীদগী মার্চ ফাওবগী থা ৩গী ওইগনি। খনগৎলবা এপ্লিকান্ট ঈ-মেলগী খূথাংদা দিসেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা খঙহল্লক্কনি। ফেলোসিপ অসি খনগৎলবা এপ্লিকান্টশিংদা লুপা লিশীং ২০গী ষ্টাইপেন্দ ফংগনি। মদু রিছার্স, চৎথোক চৎশিনগী, ইবগীদমক্তনি। লোয়ননা মহাক্লা পাঙথোক্লিবা অদুগী মতুং ইন্না ইন্সটোলমেন্ট বেসিসতা পীগনি। ৱাহৈ ৭০০তগী ১০০০ ফাওবগী ন্যুজ ষ্টোরি ৫ হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা খনগৎলবা এপ্লিকান্ট অদুনা পুথোক্কদবনি। মরী লৈনবশিংনা পেলেস গেট, কোনুং মমাঙদা লৈবা খেলেন থোকচোম মিদিয়া ফেলোসিপকী কোওর্দিনেটরগা উনবা য়াগনি হায়রি।

'ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী টিম্না মখা তানা থিজিলহন্নীংই'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্তা হন্দক্তা থোক্লিবা য়ূমদা য়োক্লিবা শা-উচেকশিং হাৎলিবা অসিগী মতাংদা ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া ধেরাদুনগী সাইন্টিষ্ট গোপিজি ভাজপায়না লুচিংবা টিম অমনা থম্লক্লিবা ফাইন্দিংশিং অসি মীয়াম্না পেল্লব্রা হায়না এফ্যেরস ওফ বেনাইন সেন্তরনা ফোঙদোরক্লি।

এফ্যেরস ওফ বেনাইন সেন্তর নহারুপ হুইরেম লৈকায়গী সেক্রেটরি সী ঐচ জয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবনি। থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরিবা অসি কৈজেংলাংগুম্বা অপিকপা মখলগী শাশিং, শাহিং চাবা শাশিং অমদি হুইননি হায়বসি থাজবা ৱাৎলি। হায়রিবা শাশিং অসিনা মীরক্তা থোরক্তুনা মচিঞ্জাক থিবনি হায়বসি থাজবা ৱাৎলি। মদুগী মথক্তা শিরিবা শা-উচেকশিংগী শাদোং ফাওবা চারমদবা হায়বনচিংবা অসি ৱাহং কয়া ওইনীংঙাই ওইরি।

থাঙ্গ সলাম লৈকায়দা থোকখিবা থৌদোক্তা নুপী অমা শোক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎখিবা অমদি নাগামপালগী মনোহর ময়ূম কোলুপ্তা থোকখিবা থৌদোকশিং অসি নীংশিংবা য়াই। অদুবু মীৎনা উবা য়াবা খুদম চাংদমশিং পুথোকপা ঙমদবা অসিনি। ফাইন্দিংশিং অসি খরা থুমল্লি অমসুং খরা থিন্থনা অচুম্বদু পুথোকপীরক্কনি হায়না খল্লি। এক্সপার্ট টিম অসি মখা তানা মণিপুরদা লৈদুনা থিজিলহন্নীংই হায়রি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN-Class -X Revision Starts: 6th Dec. 2018 | Foundation course Class 3 to10 Starts on 20 Dec., 18
LIMITED SEAT
TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M.
3rd Position Rozaria Th.
4th Position Khushi Kh.
6th Position Micheal A.
8th Position Bideli Devi
9th Position Md. Swadique
9th Position Robinson Kh.
9th Position Russel Ch.
13th Position Th. Yaiphabi
14th Position Siddhant W.
15th Position Neelima N.
17th Position Krishnand L.
20th Position K. Hennae
21st Position M. Thoibisana
21st Position Tina Th.
21st Position R.K. Kebisana
22nd Position Guigaingam K.
23rd Position Ng. Babyka
23rd Position Meghila T.
TOPPERS of 2018
1st Position Yaiphabi M.
2nd Position Patel Lairenjam
4th Position Malemnganbi
4th Position Lydia Thokchom
6th Position Delina Soubam
5th Position Ronniey W.
7th Position Anjali Konjengbam
10th Position M. Pinky
10th Position Memthoi L.
11th Position Rajyashori Limbu
12th Position Advance N.
13th Position Oletina Thangjam
15th Position Varina Toijam
16th Position Lanchenbi L.
18th Position Sangita Yumnam
20th Position Th. James
20th Position Haoam Eerik
21st Position Ch. Melodie
22nd Position Dhanika A.
22nd Position H. Vishal Singh
23th Position Lelina Laishram
23th Position N. Robikanta
99 in MAN AK Toshiba
Form Available for Mock Test 2019

Date	Subject
10/1/19	English
14/1/19	Maths
16/1/19	S.Sc.
19/1/19	Addl.Sub
22/1/19	Science
24/1/19	MIL

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-B/5032/27/11-27/12



/অমাঙথোং ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙথোং মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরক্লগা খোঙ হাম্বা লোয়রগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, অমাঙথোং মপান্দা শাংনা চেকখায়রগা খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাওজররোই

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোং ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙথোং মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরক্লগা খোঙ হাম্বা লোয়রগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, অমাঙথোং মপান্দা শাংনা চেকখায়রগা খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা ঈশিংনা চান্থা মতমদা চেকখায়বা মফম অদু য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা তৌরগা খাংফম খঙদবা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাং অমদি কোঙ্গোলগা লোয়নরকপা, মনাং অমদি কোঙ্গোল হেক য়াওরকপা মতমদা হকচাং চোকথ-ৱাম্থবা, খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাংদা শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, পোথারগতা লৈনিংবা, ফম্বী শোনবা, মরক মরক্তা অমাঙথোং মনুংদা চক-চক থিল্লকপা, কপ্লাক মরি নাবা, শিংলি নাওরি শোম্থবা, মসলশিং চিকপা নাবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরি নাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.

থাগৎচরিবা : **W. SURCHAND**
Yairipok
HL-P/5791/8

ওজা **Abdul Hak** কী হিদাক চাবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু

Piles গী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা অৱাবা খাংদুনা লাকখি। লায়নাগী লাইওংশিংদি - খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শৌজদা চাথৎলগা থুপ্পা শাবা, খোঙ হাম্বদা বেরা কাবা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাক্কৎচবা, চক-চক থিনবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, গ্যেষ্ট্রিক, খ্বাঙ নাবনি। অদুবু ওজা **Abdul Hak cont. no. 8794429681, 8014623756** কী হিদাক চাজবদগী Piles মপুং ফানা ফজরে, অৱাবা অমত্তা লৈজদ্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি ঃ
1. 7 MR Khabeisoi Gate - 10 a.m. to 4 pm. (Saturday & Sunday, Monday).
2. Wangoi SBI Awang : 6.30 a.m to 4 p.m.

থাগৎচরিবী : **P. BINA DEVI**
Nambol
HL-P/5750/8

ADVANCED COACHING INSTITUTE
The largest, trusted & premier Coaching Institute , Imphal in both Sc. & Arts
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS road, Opposite to Koirengei auto parking
SPECIAL MEDICAL AND ENGINEERING COURSE (25 students per batches)
2018 COHSEM SCIENCE TOPPERS
3rd position Y. devajit
9th position P. Badal
9th position Konica N.
10th position Korounganba
10th position L. Imoba
15th position H. Arbin
17th position Sh. Bikish
SEPERATE CBSE, COHSEM & BOSEM BATCHES
2018 COHSEM ARTS TOPPER
2nd position T. Sunaina
3rd position Y. Gunchenba
5th position T. James
5th position Lovandmaba
7th position K. Obed
8th position T. Oresh
TIME SCHEDULES
1. 5.00-8.30 A.M
2. 11.00-4.00 P.M
3. 3.00-7.30 P.M
4. 4.40-7.40 P.M
BOSEM 2018 TOPPER
Rajeshori 11th position
Md. Hanif 24th position
Asma M. 17th position
SPECIAL CONCESSION
50% off in revision course (for ex-ACIAN students)
Rs 2,000/- off in revision course for Govt. students
Rs 4,000/-off in foundation course for Govt. students
Office No. 9862992105
FACILITIES
Separate boys' & girls' hostel, van services–morning & evening Available
REVISION COURSE STARTS FROM
Foundation Courses for VI to XII (2019 batches) start - 8th & 14th Dec.

Class	X (BOSEM)	X (CBSE)	XII (ARTS)	XII (CBSE)	XII (SCIENCE)
Date	10th & 17th Dec.	10th & 17th Dec.	10th & 17th Dec.	10th & 17th Dec.	10th & 17th Dec.

HL-B/5031/26/11-26/1(Alt.)

2ND STATE LEVEL
HSLC PREPARATORY MOCK COMPETITIVE EXAM - 2018-19
ORGANISED BY: EDUCITY
Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College Imphal-795001

1) All the position will be awarded separately for CBSE & BOSEM
1st Position-15,000 + Certificate
2nd Position-12,000 + Certificate
3rd Position-9,000 + Certificate
4th to 20th Position-1000 + Certificate

Marks	F.M.	P.M.
Maths	80	40
English	80	40
Science	80	40
Social Sc.	80	40
MIL	80	40

Submission Fee Rs. 800/-
Last Date of Submission: 28th Dec., 2018
Class: X (CBSE & BOSEM)
Subjects: Maths, Eng., Science, Social Sc. & MIL
Date of Exam: 6th Jan., & 13th Jan. & 20th Jan. 2019 (Sunday)
Timing: 9:00 am to 12:00 am
1:00 pm to 3:00 pm

2) Subjects toppers 5 subjects (1000 x 5) for both CBSE & BOSEM.
3) Award for the best school will be given to the total nos of Position holder of the said school.
4) All the question will be separately given for CBSE & BOSEM
5. Those candidate who failed in any one of the 5 given subjects will not be qualified for the positions even if he/she be awarded for subject toppers in any of the 5 subjects.
6. Question nature will be same as Board Questions

* Forms are available at all the leading book stores and schools of Manipur.
1. Sinai Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Chanura Photo - Kakwa Bazar 3. Heemabala Book Store - Canchipur 4. Universal Book Store - Lilong Bazar 5. K. B. Stationery - Wangjing Bazar 6. Mangal Stationery - Kakching Bazar 7. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 8. Echan Stationery - Wabagai Lamkhai 9. Baby Book Store - Mayang Imphal 9. M/s Computer - Thongkhong Laxmi Bazar 10. New Book Store - Wangoi Bazar 11. M/s. Rakesh Book Store - Wangoi Bazar 12. Sangai Book Store - Samurou Bazar 13. Lily Book Store - Oinam Bazar 14. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 16. Tomo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 17. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 18. Ibeyaima Gallery - Moirang Bazar 19. Leima Book Store - Nambol Bazar 20. C.J. Book Store - Nambol Bazar 21. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 22. Yai Bros - Yairipok Bazar 23. Habib Stationery - Yairipok Azad Golai 24. Hee Yai Enterprises - Sangakpham 25. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 26. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 27. L.K. Book Store - Lamlong Bazar 28. Compact Service - Khoyathong 29. Taurus Stationery & Grand Paper Mart - RIMS Gate, 30. Shila Book Store, Thoubal Bazar, 31. Amar Book Store, Kongpal Bazar, 32. Ekhoigi Enterprises - Kwakeithel Bazar 33. Naresh Book Cum Stationery - Moirang Bz. 34. Little Kingdom Xerox Point - Opp. UCO Bnk. Bishnupur Bz. 35. Liklai Printings - Phubala

* WE PROVIDE SHORT STAY HOME FOR FAR AWAY STUDENTS WHO WANTS TO PARTICIPATE IN THE COMPETITION.
Please Contact: 9612194500 / 8794386523
Office Hour: 10:30 am to 3:30 pm
HL-P/4999/17/11-16/12